# হান্নগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংবু নাগালেন্দগী ফাইনান্স এদভাইজর হাপখ্রে



কোহিমা, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী):
নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা টি আর জেলিয়াংবু ঙসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী কেবিনেট মিনিষ্টর অমগী থাক্তা লৈবা ফাইনান্স এদভাইজর ওইনা হাপখ্রে।

গভর্ণর পি বি অচারিয়ানা ফাইনান্স এদভাইজর হাপখ্রবা জেলিয়াংনা হৌজিক কেবিনেট মিনিষ্টর অমগা চপ মান্নবা পে অমদি এলাৱেন্স, লোয়ননা কেবিনেট মিনিষ্টর অমনা ফংলিবা অতৈ খুদোংচাবা পুম্নমক লোইনা ফংলগনি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অর্বান লোকেল বোদিগী মীখলদা নুপীগী সীট চাদা ৩৩ রিজার্ভ তৌনবা থৌরাং লৌখৎলুবদগী জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অমসুং নাগালেন্দ ট্রাইবেল এক্সন কম্মিটিনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা জেলিয়াংনা ফেব্রুৱারী ১৯ দা চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিবনি।

জেলিয়াংনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)কী লুচিংবা শুরহোজেলি লিজিটসুবু ফেব্রুৱারী ২২ দা নাগালেন্দগী ১৭শুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি।

নাগালেন্দদা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স ওফ নাগালেন্দ (দি এ এন)দা এন পি এফসু মরুওইবা পার্টনর অমা ওইরিবনি। দি এ এনদা এন পি এফকী এম এল এ ৪৮, ইন্দিপেন্দেন্ট ৮ অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি এম এল এ ৪ য়াওরি।

কোহিমাদা লৈবা রাজ ভৱনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মেম্বর ১২ না শাবা দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স ওফ নাগালেন্দ (দি এ এন)গী মিনিষ্ট্রি লুচিংলিবা লিজিটসুবু গভর্ণর পি বি অচারিয়ানা থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। লিজিটসুগী মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা টি আর জেলিয়াংনা ফেব্রুৱারী ১৯দা ফম থাদোকপা লৈখ্রবনি।

অর্বান লোকেল বোদিগী মীখলদা নুপীগী সীট চাদা ৩৩ রিজার্ভ তৌনবা থৌরাং লৌখৎলুবগী মায়োক্তা তোঙান-তোঙানবা ট্রাইবেল ওর্গনাইজেসনশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা টি আর জেলিয়াংনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিবনি।

লিজিটসুগা লোয়ননা ৱাশক লৌখিবা অতৈ মিনিষ্টরশিং অদুদি, কিয়ানিলি পেসিয়ি, ৱাই পেটোন, পি লোংৱোন, সী কিপিলি শংতম, সী এল জোন, য়িতাচু, পাইৱাং কোনয়াক, ভিখেহো স্বু, চোতিসু সাজো, ইমকোং এল ইমচেন অমসুং জি কাইতোনি।

ইমকোং এল ইমচেন অমসুং জি কাইতোদি মিনিষ্ট্রিদা নৌনা য়াওরকখিবা মীওই ঙাক্তনি। হৌজিক-হৌজিক লিজিটসু মশামক মেম্বর অমা ওইদবা মরম্না চীফ মিনিষ্টরগী থৌ পুরবা মতুং থা ৬কী মনুংদা মীখল মায়োক্নবা তারি।

লেজিসলেটর ৫৯ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা লিজিটসুবু দি এ এন লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি।

নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা পূন্না মেম্বর ৬০ লৈ। নাগালেন্দ পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)কী প্রসিদেন্ট ওইবতা নৎতনা দি এ এনগী চেয়রমেনসু ওইরিবা লিজিটসুনা মমাঙদা টার্ম ৮ লক এসেমব্লিগী মেম্বর ওইরল্লে। কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি মীখলদা মহাক মীরেপ ওইখিদে। মহাক্কী মহুৎতা মচানুপা কৃচু লিজিটসুবু মীখল থেংনহনখি।

কুমজা ১৯৬৯ দা কোহিমা দিষ্ট্রিক্টকী নোরদর্ন অঙ্গামি-১ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মীখলদা মায় পাক্লুনা নাগালেন্দগী পোলিটিক্সতা মরুওইবা থৌদাং লৌরকখিবা লিজিটসুনা এদ্যুকেসন, প্লান্নিং এন্দ কোওর্দিনেসন অমসুং অর্বান দিভলপমেন্টনচিংবা পোর্টফোলিওশিং পায়দুনা মিনিষ্টর ওইরল্লে। মহাক কুমজা ২০১৩ ফাওবা হায়র এদ্যুকেসনগী মিনিষ্টর ওইরম্মী।

লিজিটসুনা শৈরেং লাইরিক, ৱারী লাইরিক, দ্রামা অমদি ট্রান্সলেসন-নচিংবা লাইরিক ৪২ ইখি। অঙ্গামি ট্রাইবকী ওইনা শক্লাইরবা একাদেমিসিয়ন অমা ওইরিবা লিজিটসুদা নাগালেন্দ য়ুনিভর্সিটিনা কুমজা ২০০৩ দা ওনরেরি দোক্টর ওফ লিটরেচর পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

কোহিমাগী মিসন পব্লিক স্কুলদা মহৈ তম্লকখিবা মীওই অসি কুমজা ১৯৫৬ তা কোহিমা গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদগী মেট্রিক পাস তৌখিবগা লোয়ননা লেমজনিংঙাই ওইরবা শিল্লোংগী সেন্ট এদমন্দ'স কোলেজদা গ্রেজ্যুএসন লোইশিনখি।

দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স ওফ নাগালেন্দ (দি এ এন)গী লেজিসলেচর পার্টিগী মীফমদা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ থোমাস ঙুলি খক নৎতনা শরুক য়াখিবা লেজিসলেটর ৫৮ না ডা. শুরহোজেলিবু মখোয়গী লুচিংবা ওইনা খনখি। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না শুরহোজেলিনা থা খরা চীফ মিনিষ্টরগী থৌ পুরল্লবা মতুংদা নহা ওইরিবা মীওই অমদা ফম অসি শীন্নরম্বা য়াই হায়রি।

মীয়ামগী ঈহৌ লাকপদগী ফম থাদোকখ্রবা টি আর জেলিয়াংনা নাগালেন্দগী পোলিটিক্সতা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। মহাক হৌজিক ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ফাইনান্স এদভাইজর ওইরবনিনা কেবিনেট মিনিষ্টর অমগা চপ মান্নবা মওংদা তোলোপ, এলাৱেন্স অমদি অতৈ খুদোংচাবা কয়ামরুম ফংলগনি হায়রি।

# দিল্লিগী মথংদা য়ু পিদসু এ টি এমদগী লৌথোকপা শেনয়েক্তা জালি নোট য়াওরল্লে



শাহজহানপুর, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী):
দিল্লিদা লৈবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী এ টি এম অমদগী লৌথোকপা লুপা ২০০০ চৎপীগী শেনয়েক্তা জালি নোট য়াওরম্বা থেংনখ্রবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী শাহজহানপুরদসু এস বি আই এ টি এমদগী লৌথোকপা শেনয়েক্তা জালি নোট য়াওরম্বা থেংনখ্রে।

পুনিট গুপ্ত কৌবা শাহজহানপুরগী মীওই অমনা এ টি এমদগী লুপা ১০,০০০ লৌথোকখি। লুপা ২,০০০ চৎপী শেনয়েক মঙাগী মনুংদা জালি নোট অমা য়াওরম্বা থেংনখিবনি। গুপ্ত অমদি এ টি এমগী ক্যু লেপ্পদা য়াওবা অতৈ মীওইশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা মরী লৈনবা এস বি আইগী ওফিসলশিংদা ৱাকৎখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা মপুং ফানা ইনক্বারি চথনবা তকশিনখি। মতৌ করম্না এ টি এমদা জালি নোট য়াওরল্লিবনো হায়বদু অথুবা মতমদা খঙদোক্লবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না মীয়াম্না ঈরাং হৌরকপদগী পুলিস কৌদুনা মীয়াম্বু লাকশিন্নবা হোৎনখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা গুপ্তনা এস বি আইদা হৌনবী মতুংইন্না অইবা ৱাকৎ চেরোল পীশিনখি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা ন্যু দিল্লিগী সঙ্গম বিহারদা লৈবা এ টি এম অমদগী মীওই অমনা শেল লৌথোক্লুবদা "চিলদ্রেন বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া" হায়না থাবা লুপা ২০০০ চৎপী জালি নোট ৪ য়াওরম্বা থেংনখ্রবনি।

পুলিসকী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, ফেব্রুৱারী ৬ তা রোহিট কুমার কৌবা কষ্টমর ক্যের ইগজিক্যুটিব অমনা সঙ্গম বিহারদা লৈবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই)গী এ টি এম অমদগী শেল লৌথোকখি। মদুদা জালি নোট ৪ য়াওরম্বা থেংনখিবনি। হায়রিবা জালি নোট অদুদা ওফিসল ৱাটর মার্ককী মহুৎতা "চুরান" হায়না ইরম্বা থেংনখি। আর বি আইগী ষ্টাম্প য়াওগদবা মফমদা পি কে হায়না ইরম্বা থেংনখি। রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া হায়না ইগদবা মফমদনা ভারতিয়া মনোরঞ্জন বেঙ্ক হায়না ইরম্বা থেংনখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা রোহিট কুমারনা পুলিসতা ৱাকৎলবা মতুংদা সব ইন্সপেক্টর অমনা হায়রিবা এ টি এম অদুদা চৎতুনা থিগৎলুবদা "চিলদ্রেন বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া" হায়না থাবা লুপা ২০০০ চৎপীগী জালি নোটশিং য়াওরম্বা থেংনখি। খুদক্তা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন চথখি অমসুং এ টি এমদা শেল হাপচিনবগী থবক তৌবা মীওই অমা ফাখি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস (সাউথ ইষ্ট) রোমিলবানিয়ানা হায়খি মদুদি, এ টি এমদা জালি নোট হাপচিল্লম্বগা মরী লৈননা ফারবা মীওই অদু শঙ্গম বিহারদা লৈবা মহমদ ইশা কৌই। হায়রিবা মীওই অদু ব্রিঙ্কস ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিটেদতা থবক তৌবনি। মহাক্না মফম অদুগী এ টি এমশিংদা শেল হাপচিনবগী থৌদাং লৌদুনা লাকখি।

হৌখিবা জান্যুৱারী ২৮ দসু দিল্লি পুলিসকী স্পেসল সেলনা অনৌবা শেনয়েক্তা লুপা লাখ ১৮গী জালি নোট ফাগৎপা ঙমখ্রবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা দিল্লি পুলিসনা চেন্নবা মীওই অহুম ফাগৎখি। মমাঙদসু মহারাষ্ট্রগী ঔরঙ্গবাদতা জালি নোট লল্লোনবা খুৎপু অমা ক্রাইম ব্রাঞ্চনা ফাগৎখি।

গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা গ্রেদ ফোর ওইনা থবক তৌবা মীওই অমা ফারবা মতুংদা জালি নোট লল্লোনবা খুৎপু অমা ফাগৎখিবগা লোয়ননা অনৌবা শেনয়েক্তা লুপা লাখ ১৮গী জালি নোটশিং ফাগৎখি। মীওই খুৎপু অদুদগী পুলিসনা অফবা মখলগী কলর প্রিন্টর অমদি মুকনচিংবা শেল নম্বদা শীজিন্নবা পোৎলমশিংসু ফাগৎখি।

অমরোমদা, ইকনমিক এফেয়র্স সেক্রেটরি শক্তিকান্ত দাসনা হায়খ্রে মদুদি, হৌজিকমক্কী ওইনা অনৌবা লুপা ১০০০ চৎপীগী শেনয়েক পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা লৈত্রি।

অথুবা মতমদা লুপা ১০০০ চৎপী পুথোরক্লগনি হায়বা তোকঙা অমা শন্দোরকখ্রবা মতুংদা শক্তিকান্ত দাসনা ত্বিটরগী খুত্থাংদা ৱাফম অসি শেংদোরকখিবনি। মহাক্না হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনা লুপা ১০০০ চৎপী নম্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈতে। মদুগী মহুৎতা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং অতৈ হন্থবা শেলয়েকশিং মরাং কায়না পুথোক্লুবা হোৎনরি।

# য়ু এসতা লৈখিদ্রবা ইন্দিয়ন এঞ্জিনীয়রগী লোয়নবীনা দোনাল্ড ট্রম্পকী পাউখুম ঙাইরি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী কেন্সাস সীটিদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা ইন্দিয়ন এঞ্জিনীয়রগী লোয়নবীনা মীশীং য়ামদবা মীওই কাঙলূপকী মথক্তা চথরিবা ক্রাইম থিংনবা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদুগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী পাউখুম তাবা পাল্লি।

য়ুমশকৈশ নুমিৎতা সীটিগী বার অমদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপীখ্রবা শ্রীনিভাস কুচিভোটলাগী লোয়নবী সুনায়ানা দুমালানা হায়খি, য়ু এসতা মীশীং য়ামদবা কাঙলূপকী মীওইশিংদা হন্থবা মীৎয়েং য়েংবগা লোয়ননা তাথী তাওইনা তৌবগী থৌওং চথরকপা মরম্না মাইনোরিটিশিং পূক্নিং লৈতানা হিংবা ঙমদ্রে।

শ্রীনিভাসনা থবক থৌরম্বা জি পি এস মেকর গার্মিননা শীল্লগা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সুনায়ানা হায়খি, মীশীং য়ামদবা কাঙ-লূপকী মথক্তা চথবা ক্রাইম থিংনবগী মতাংদা দোনাল্ড ট্রম্পনা লুচিংবা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা করি করম্বা থৌদাং লৌখৎকদগে হায়বদু খঙবা পাল্লি।

হাউস্তনদা লৈবা ইন্দিয়াগী কোন্সল জেনরেল অনুপম রেনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা কুপ্পা য়েংশিনবগা লোয়ননা অৱাবা তারবা ইমুং অমদি অতৈ ইন্দিয়নশিংগী চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনরি।

ইন্দিয়ন কোন্সুলেটনা শ্রীনিভাস কুচিভোটলা লৈখিদবগী পাউ হেক ফংবগা খুদক্তা দেপ্যুটি কোন্সল আর বি জোসি অমদি ভাইস কোন্সল এ্যচ সিংহবু কেন্সাসতা থাদুনা শ্রীনিভাসকী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা উনহনখি। কোন্সল জোসিনসু কেন্সাসতা লৈরিবা ইন্দিয়ন কম্যুনিটিগা উনদুনা মখোয়গী পূক্নিংদা ফাওরিবা মীপাইবা অমদি লাংতক্লবা পুম্নমক কোকহন্নবা হোৎনখি।

কাঙলূপ নাইবগী মওংদা শ্রীনিভাস কুচিভোটলাবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী মতাংদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, এফ বি আইনা শ্রীনিভাস লৈখিদবগী থৌদোক অদু কাঙলূপ নাইবগী থৌওংগা মরী লৈনব্রা হায়বা চপ চানা খঙদোক্লুবা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখ্রে।

দোনাল্ড ট্রম্পনা প্রসিদেন্ট ওইরক্লবা মতুংদা কাঙলূপ নাইবগী থৌওং চথবগী চাং ৱাংখৎলক্লে হায়না মীপাইবা পোক্লরিঙৈগী চৈরক্তা শ্রীনিভাস কৌবা ইন্দিয়ন এঞ্জিনীয়র অমবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুনা অৱাবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা নাইদুনা হায়খি, কেন্সাসতা শ্রীনিভাস কুচিভোটলা লৈখিদবা অমসুং অলোক মদাসানি অশোক-অপন নংখিবগী পাউ তাবদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওখি। তেলঙ্গনাদগী হৌখিবা মীওই অনীমক গার্মিন কৌবা ইলেক্ট্রোনিক্স মেন্যুফেক্চরর অমদা এভিএসন প্রোগ্রাম মেনেজর ওইনা থবক তৌদুনা লৈবনি।

# বি এম সী পায়নবা শিব সেনানা কোংগ্রেসকা ৱারী শানখ্রে



মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা সিভিক বোদিনি হায়না লৌনরিবা মুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন পায়নবগীদমক শিব সেনানা ঙসি কোংগ্রেসকা ৱারী শানবা হৌখ্রে।

ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, শিব সেনাগী লুচিংবা উধব থাক্করেনা মীহুৎ থাদুনা কোংগ্রেসকা ৱারী শানহল্লবা মতুংদা মেয়রগী ফম পায়নবা থৌরাং লৌখৎলি।

মীখলদা মায়থীবা ফংলবা কোংগ্রেসনা শিব সেনাবু মপান্দগী শৌগৎপা য়ানা লৈরে হায়না অতোপ্পা ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক উধব থাক্করেনা শিব সেনাদা মেয়রগী ফম পায়হনবা তারবদি দেপ্যুটি মেয়রগী ফম কোংগ্রেসতা পীগনি হায়বা ৱাফম হৌদোকখি।

মহারাষ্ট্র প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী লুচিংবা অশোক চৌৱননা শিব সেনাগী ৱাফম খন্ননবা পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অমা কৌখ্রে। মীফম অদুদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর সুসিল কুমার সিন্দে অমদি নরায়ন রানে; মুম্বাই কোংগ্রেসকী লুচিংবা সঞ্জয় নিরুপম; এম পি হুসেন দলৱাই অমদি মহারাষ্ট্রগী মিনিষ্টর ওইরম্বা নাসিম খাননচিংবা মীওই কয়ামরুম য়াওখি হায়রি।

মমাঙদা কোংগ্রেসকী এম এল এ অব্দুল সট্টারনা হায়খিবনি মদুদি, বি জে পিবু ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন পায়হন্দনবগীদমক শিব সেনানা লৌ-খৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা কোংগ্রেসনা মপান্দগী শৌগৎপা য়ানা লৈ।

বৃহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (বি এম সী)গী মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না চাওনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা পার্টি অসিনা শিব সেনাগা চৎমিন্নবা য়াবগী ফীভমদা লাক্লুরবনি।

বি এম সীগী অপূনবা সীট ২২৭ গী মনুংদা পার্টি অমত্তনা সীট ১১৪ য়ৌনা ফংবা ঙমখিদবা মরম্না বি জে পি অমদি শিব সেনা খুৎশম্নরগা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অসি পায়বগী ফীভমদা লাকখি। মীখলগী ফল লাউথোকখিবদা বি জে পিনা সীট ৮২ ফংখি অমসুং শিব সেনানা সীট ৮৪ ফংখি। কোংগ্রেসনা সীট ৩১ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি। নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি অমসুং রাজ থাক্করেগী এম এন এসনা মথংশিংনা সীট ৯ অমসুং ৭ ফংখি।

মীখলগী ফল লাউথোক্লবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিজ অমসুং শিব সেনাগী লুচিংবা উধব থাক্করেনা মহারাষ্ট্রগী ভোটরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক পার্টি অনী পূন্না চৎমিন্নবগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পনখিদে।

পাউগী মীফম অমদা রাজথাক্করেনা হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনা এল্লাইন্স শেম্বগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি। করিগুম্বা অতোপ্পা পার্টি অমগা চৎমিন্নবা তারবদি মেয়রগী ফম শিব সেনানা শোয়দনা পায়গনি। মতুং তারকপদসু চীফ মিনিষ্টরগী ফম পার্টি অসিনা শোয়দনা পায়গনি।

মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিজনা হায়খিবনি মদুদি, হৌজিকমক্কী ওইনদি পার্টি অমত্তনা মেজোরিটি ফংবা ঙমদ্রবসু অতোপ্পা পার্টি অমগা খুৎশম্নবগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি।

বি জে পি মহারাষ্ট্র য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট রাও সাহেব দানবে অমসুং মুম্বাইগী বি জে পি লুচিংবা অশিস সেলর য়াওনা পাঙথোকপা মীফম অমদা এল্লাইন্স শেম্বগী ৱারেপ লৌগনি হায়না ফদনাবিজনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# এস পি পি য়ু য়ুনিভর্সিটিদা এ বি ভি পি অমসুং এস এফ আই খুৎ থোক্নখ্রে

পুনে, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী):
অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদ (এ বি ভি পি) অমসুং ষ্টুদেন্ট'স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এস এফ আই)গী এক্টিভিষ্টশিং খুৎ থোক্নরকখ্রবা মতুংদা সাবিত্রিবাই ফুলে পুনে য়ুনিভর্সিটি (এস পি পি য়ু) গী কেম্পসতা টেন্সন ৱাংখৎ-লকখ্রে। চতুশ্রিঙ্গি পুলিস ষ্টেসনগী দ্যুটি ওফিসর অমনা হায়খি মদুদি, খুৎ থোক্ন-খিবা নাকল অনীমক্কী মীওইশিং পুলিস ষ্টেসনদা লাক্লুনা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌরখি।

প্রদিপ গৱাদে কৌবা এ বি ভি পিগী এক্টিভিষ্ট অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা এস এফ আইগী মেম্বরশিংনা 'এ বি ভি পি মুর্দাবাদ' হায়না থাবা পোষ্টর কয়া থেৎলকখি। থৌওং অদু থিংনবা হোৎনরুবদগী নাকল অনী খুৎ থোক্নখিবনি।

জে এন য়ুগী মহৈরোয় উমর খলিদপু দিল্লিগী রামজাস কোলেজদা কৌনবা ফিরেপ লৌখিবগী মায়োক্তা এ বি ভি পিনা ঙসি অয়ুক খোঙজং চঙশিনখি। থৌওং অদুগী মায়োক্তা এস এফ আইনা এ বি ভি পিবু খোইশাউনবা পোকহনবা য়াবা পোষ্টর কয়া কেম্পস মনুংদা থেৎখি। থৌওং অদু থিংনবা হোৎনরুবদগী নাকল অনী খুৎ থোক্নরকখিবনি হায়রি।

# লৈখিদ্রবা মেজর দাহিয়াগী ইমুংদা লুপা লাখ ৫০ পীরগনি

মহেন্দ্রগর, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টতা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৪ দা টেররিষ্টশিংগা খুৎ থোক্লবদা লৈখিদ্রবা মেজর সটিস দাহিয়াগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫০গী তেংবাং পীরগনি হায়না হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খট্টারনা নঙ্গাল নুনিয়া খুঙ্গংদগী বানিহারি ফাওবগী লম্বী অমসুং নঙ্গাল চৌধরিদা লৈবা গভর্ণমেন্ট কোলেজগী মিং লৈখিদ্রবা মেজর দাহিয়াগী মিং লৌরগা নৌনা মিংথোল পীরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহেন্দ্রগর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা বনিহারি দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি লৈখিদ্রবা মেজর দাহিয়াগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর খট্টারনা হায়খি, মরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা মেজর দাহিয়াগী লোয়নবী সুজতা দেবীদা গভর্ণমেন্টকী থবক অমা পীরগনি।

মেজর সটিস দাহিয়ানা লৈবাক্কীদমক পূন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবগী থৌওং অদুনা ষ্টেট অসিগী মিংচৎ পুরকখি।

মরৈবাক নীংবা অথৌবা অদুবু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা বনিহারি খুঙ্গংদা ব্যায়মশালা অমা লিংখৎলগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রাম বিলাস শর্ম্মা, এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফেয়র মিনিষ্টর ও পি ধঙ্কার, হরিয়ানা বিধান সভাগী দেপ্যুটি স্পিকর সন্তোশ যাদব, মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ধরমবির সিংহ, এম এল এ নঙ্গাল চৌধরি অমদি এম এল এ ওম প্রকাশ যাদবনচিংবা লুচিংবা কয়ানসু মেজর দাহিয়া লৈখিদবগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা মেজর সটিস দাহিয়া হরিয়ানাগী মহেন্দ্রগর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা বনিহারি খুঙ্গংদগীনি। কুমজা ২০০৯ দা আর্মিগী থবক চঙখিবা মীওই অসি ৩০-রাষ্ট্রিয়া রাইফলসকী মেজর ওইনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পোষ্টিং তাদুনা লৈবনি। হৌজিক-হৌজিক মহাক্কী লোয়নবী সুজতা দেবী অমসুং চহী অনীমখায় রোমতা ঙাইরিবী প্রিয়া কৌবী মচানুপী অমা লৈহৌরি।

পূক্নিং নুংশিনিংঙাই ওইবা থৌওং অমদা মেজর সটিস দাহিয়ানা হিংলিঙৈগী মতমদা মহাক্কী লোয়নবী সুজতা দেবীদা মখোয় অনী লুহোংবগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা থারকখিবা খুদোলপোৎ অমা মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুংদা সুজতাগী মখুৎতা থুংলগখি। জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী হন্দৱারাদা মেজর দাহিয়ানা টেররিষ্ট-শিংগী মখুৎতা লৈখিদ্রবা মতুংদা কেক, কেন্দল অমদি লৈনচিংবা খুদোলপোৎ পুম্নমক হরিয়ানাগী বনিহারি খুঙ্গংদা লৈবা সুজতাগী মফমদা থুংলখিবনি।

# জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা জুদিসল ইনক্বারি চথগদবনি হায়বা দিমান্দ দি এম কেনা শৌগৎখ্রে




চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী):
ও পানিরসেলবমনা জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা জুদিসল ইনক্বারি চথগদবনি হায়না তকশিল্লকখিবা ৱাফম দ্রাভিদা মুনেত্রা কঝাগম (দি এম কে)না শৌগৎখ্রে।

টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ও পানিরসেলবম অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎপা মথৌ তাই হায়না পুখৎলকখিবা ৱাফম দি এম কেগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিননা শৌগৎখি। মহাক্না হায়খি, জয়াললিতানা হোস্পিটালদা লায়কন্নবা হেক হৌরকপদগীনা তাইবংপান থাদোকখিবা মীৎকুপ অদু ফাওবগী মতাংদা হ্বাইট পেপর অমা পুথোকপা মথৌ তাই।

জয়াললিতা লায়েংবদা দিল্লিগী এইমসতগী লাকপা দোক্টর কয়া শরুক য়াখিবা মরম্না হীরম অসিদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়নসু ষ্টেলিননা ফোঙদোকখি।

জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা চিংননিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি হায়না পল্লদুনা দি এম কেগী স্পোক্সপার্সন এ সরাবনন্দনা হায়খি, সী বি আইগুম্বা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অমদা মপুং ফানা থিগৎহল্লগা মীয়ামগী চিংনবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

জয়াললিতা লৈখিদ্রবা থা ২ গী মতুংদা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবমনা সুপ্রিম কোর্টকী সীটিং জজ অমনা লুচিংবা ইনক্বারি কম্মিসন অমদা জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা থিগৎহল্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

এ আই এ দি এম কেগী সিনিয়র লীদর পি এ্যচ পান্দিয়ননা জয়াললিতা লৈখিদবগী থৌদোক চিংনিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা ইনক্বারি কম্মিসন শেম্বগী ৱাফম লাউথোকখিবনি।

পানিরসেলবমনা হায়খি, জয়াললিতাগী হকচাংগী ফীভম অমসুং এপোলো হোস্পিটালদা লায়কন্নরম্লগা লৈখিদবগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাখলদা চিংনবা অমসুং চমম্নবা ফাওরি। মরম অদুনা মীয়ামগী চমম্নবা কোকহন্নবগীদমক সুপ্রিম কোর্টকী সীটিং জজ অমনা লুচিংবা ইনক্বারি কম্মিসন শেমদুনা হীরম অসিগী মতাংদা থিগৎহল্লগনি।

জয়াললিতানা হকচাং ঙল্লকখিদ্রবা মতুংদা চেন্নাইগী এপোলো হোস্পিটালদা মতম শাংনা লায়েংদুনা লৈরকখিবগী মতাংদা ময়েক শেংনা ৱাফম অমত্তা মীয়ামদা খঙহনবা তৌখিদে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লুরকখি। লুচিংবী অসিনা লৈখিদ্রবা মতুংদসু লৈবাক মীয়ামদা মহাক লৈখিদ্রে হায়বগী পাউ খুদক্তা ফোঙদোকপা তৌখিদে। মরম অদুনা লৌতুনবগী থৌওং খরা য়াওখিব্রা হায়না মীয়ামগী পূক্নিংদা চিংনবা পোকখি।

পনবা য়াবদি, জয়াললিতাবু লায়েংখিবা লন্দন ব্রিজ হোস্পিটালগী দোক্টর রিচার্দ বিএলনা জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা লৌতুনবগী থৌওং অমত্তা চথখিবা লৈতে। পোইজনিং তৌরগা হাৎখিবসু নত্তে হায়না শেংদোকপা লৈখ্রবনি।

বৃটিশ দোক্টর অদুনা হায়খি, মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ২২ দা অহানবা ওইনা জয়াললিতাবু চেন্নাইগী এপোলো হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবা মতমদা ৱাখল চোইখিদে। নীংশা শ্বর হোনবা ঙমদবদগী ভেন্টিলেটর শীজিন্নদুনা নীংশা শ্বর হোনবা ঙমহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। অকোনবদা লাইহৌ হৌরকখিবগা লোয়ননা দিহাইদ্রেসন তৌরকপদগী জয়াললিতাগী ফীভম শোকচিল্লকখি হায়না দোক্টর বিএলনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

টৈংথাবা/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্থা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্থা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3644/03/02-02/03